# ঙবোং-খাউ য়েংলুবদা



হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ, ফেব্রুৱারী ৬, ২০২৩-রুপমহল থিএটরগী ওদিটরিয়মদা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা দ্রামাটিষ্ট অমনি শীংথানরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা জি সি তোংব্রা (গীত চন্দ্র তোংব্রম) গী ১০৭শুবা মপোক কুমওন 'সোসাইটি থিএটর' অমসুং 'রুপমহল থিএটর' অনীনা খূৎশম্নদুনা শীনমিন্নদুনা পাঙথোকখি। হন্দক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা 'পদ্মশ্রী এৱার্দ' পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা, মণিপুরগী শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন 'থৌনাওজম চাউবা' না থৌরমদুগী অথোইবা মীথুং ওইরগা, মণিপুর লৈঙাক্কী হান্নগী মিনিষ্টর 'লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমার'না স্পেসল গেষ্ট, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী হান্নগী কোর্পোরেটর 'পোৎশংবম প্রেমিলা' না গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং রুপমহল থিএটর, ইম্ফালগী বোর্দ ওফ দাইরেক্টরগী মেম্বর 'লোইতোংবম ব্রজমোহন'না থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদু মী পঙয়াম য়াম্না তিনখিদ্রবসু মণিপুরী থিএটরগী ওইনদি তাঙনা লাকপা, মরু ওইবা থৌরম অমনি।

শক্লাইরবা অইবা অমসুং থিএটর-দাইরেক্টর অসিগী দেথ এন্নিভর্সরি (জুন ৩) লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন'দি কয়ারক হন্না য়াওখরে। মপোক-কুমওন-থৌরম য়াওবা ফংজবদি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। মপোক-কুমওন-থৌরম পাঙথোকই হায়বসু নহানমখৈ খঙলমদে। অদুবু, থিএটরসিগী দাইরেক্টর শ্রী কাংঙবম তোম্বনা হায়বদগী খঙলে - থৌরম অসি চহী খুদিংগী মফম হোং হোংদুনা পাঙথোকই। হন্দকসু নম্বোল'দা পাঙথোক্কে খল্লম্মী, খুদোংচাদবা খরদগী ঙমখিদবনি। ঐনা খঙলুদবদু মসিনা মরম ওইবা তাই। হন্দক্কী ১০৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমদুদা মী লৎনা লাকখিবদুগী মরমসু - পাউ ফংদবা, পব্লিসিটি ৱাৎপনা ওইগনি। ঐনা চৎলুরিবদুসু রুপমহল-থিএটর'না পীরকপা পাউদুদগী খঙদুননি। ওজা তোংব্রা'গী অসিগুম্বা থৌরম অমদা চেবাউ ফংলগা লাক্লোইদবা থিএটর-থৌমী অতাঙবনি। 'জি সি তোংব্রা'- চুম্নগী প্লে-রাইট অমা ওইনা নৈনগদবা নত্তে, মমিংসিমক ইন্সটিট্যুসন অমনি। চহী অমগী, রিচ্যুঅল অমগুম, শোয়ফদে মতাগুম, মহাক্কী লীলা অমা শান্নরগা কৎপা শ্রদ্ধাঞ্জলি অদুগা, নীংশিং ৱারোল খরদুগা 'তোংব্রা' গুম্বা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরবা মীশক অমবু নীংশিংবগী থৌরম ওইহনবা - মতিক চাদে। মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবক, মহাক্কী খূৎই-পন্দুপ নাইনা নৈনবগী শরুক অমদি, তঙাইফদনা থৌরমসিগী সেসন অমা ওইনা য়াওহনগদবনি। থৌরমদুগী ফম্বাক লৈতেং ওইনা ফমদৌরিবা মখোয়না তোংব্রাগী মরমদা শুকখঙ খঙদনা মারি-শারি, দেখা-সুনা' গী মওংদা ঙাঙলমদৌরিবা ৱাহৈ খরদুদা ইমপোর্টেন্স পীরোইদবনি। প্রেসকী রিপোর্টরশিংনসু মখোয়না হায়রম্বা ৱা'দুতবু 'ক্বোৎ' তৌদুনা (কোৎথোক্তুনা) ইবগী থবক্তু লেপ্পীগদবনি। হেন্না ইমপোর্টেন্ট ওইরিবদি নীংশিংদৌরিবা পর্সোনেলিটি অদুগী পুন্সি অমদি থবক্কী ৱারী ইবীগদবনি। অশিন অরাঙ কাঙবুনসু চেজায় নমদুনা য়েম্থোকপীগদবনি।

১০৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম নুমিত্তুদা মণিপুর লৈঙাক্কী ব্যুরোক্রেট ওফিসর ওইরম্লগা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা অকনবা লিটরেরি এক্টিভিষ্ট/রাইটর/পোইট অমা ওইরকখিবা 'কাংজম রাধাকুমার' না 'জি সি তোংব্রা' গী মরমদা ৱা ঙাঙখি। মশানা হায়জৈ, মহাক 'জি সি তোংব্রা' গী মরমদা, মহাক্কী লন্নাই পুন্সিগী মরমদা করিমত্তা খঙদে। হিংলিঙৈ, মনাক নক্লা লোয়নহৌদে। অদুবু, মহাক্লা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙ, পীখিবা লেকচরদু তারুরগা, 'সিমদি খঙই নীংথিজনা... 'রাধাকুমার, মঙোন্দা শিন্নরিবা থৌদাংদুগীমক ফজনা শেম শারগা লাকখি, তোংব্রাগী লাইরিক খরদি মমূৎ তানা নৈনরগা লাকখি'। সেক্সপিয়র, বর্নার্দ শো, ইবসেন অমদি সেফোক্লীজ, ভাস, কালিদাস... ময়ামসিগী এক্সপর্টনি ঙাঙলিবা, শক্লিবা, ইরিবা - ঙসিগী স্কোলারশিং, অইবশিংদুগী কন্তম্পরেরি নত্তে হায়দুনা লৌদবা/তাদবা কনা য়াওবগে!

তোংব্রা-দ দ্রামাটিষ্ট... তোংব্রা-দ প্লেরাইট! রাধাকুমারনা, লমদমসিগী সোসল -হিষ্টরিগী মীৎয়েংদগী য়েংলগা মশক লাক্লবা হোৎনরকই। অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও হেক মমাঙদা (১৯১৬) পোকখিবা, তোংব্রম গীতচন্দ্র, মতমদুদা মণিপুরদা ওইরমগদবা হিংবগী থাক, অকোয়বগী ফীভম ৱাখলনা লামশিল্লগা মহাক্লা হিংলমগদবা পুন্সিগী থাক অমদি মহাক্কী পূক্লিং ৱাখল অনীবু কন্দিসন তৌরমগদবা খুন্নাইগী শক্তম অদু ময়েক শেংনা থল্লকই। মতমদুদা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈগী থাক্লি লৌনখিবা 'মেত্রিক পরিক্ষা' দা মহাক্লা মণিপুর পূম্বগী মকোক ওইখি, তরূ-তরূবা-অফবা একাদেমিক করিয়র অমা শাগোন্নখি, মপানগী (মরু ওইনা নোংচুপলোমগী) সাহিত্যগী লাইরিকশিং, দ্রামাটিক লিটরেচর মমুৎ তানা, পাক্লা-শন্না নৈনখি... হায়বনচিংবা অচুম্বশিং, অইবসিগী খুৎইশিংদা যূম্ফম ওইদুনা কুপ্পা নৈনরকখি।

ওজা তোংব্রানা ইরম্বা দ্রামাশিংগী খূৎই নৈনরুরগা, মহাক্কী দ্রামাশিং মখল অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা নৈনবা য়াই - ৱেষ্টর্ন লিটরেচরগী ইথিল চঙদ্রিঙৈ লমদমসিগী ইথোজ অমসুং ভেল্যু-সিষ্টমদা ৱেত্তেজ পীদুনা ইবা লীলাশিং (১৯৬০গী মমাঙ); মালেমগী মফম কয়াদা হোংলক্লিবা দ্রামাগী মশক মমুৎ তানা নৈনরুরগা, খঙলগা ইরকপা দ্রামাশিং অমসুং ত্রান্সলেসন-ৱার্কশিং (মরু ওইনা সিক্সটিজগী মতম অমসুং সেভেন্টিজগী অঙনবা শরুক্তা ইরম্বা); নোংপোক-নোংচুপ-খা-ৱাং ৱাখলগী তাইবঙদা শীনবা থুংনা কোয়রুরগা কনাগী ইথিল চঙদ্রবা, মহাক্তগী ওইবা মিহুৎ-থোঙ অমদগী তাইবঙসিবু য়েংলগা উরকপা শক্তম'দু য়েকপা দ্রামাটিক লিটরেচরগী মশক অমা। তাংকক অহুম্মক্কী লীলাশিং, ক্রোনোলোজিকল ওর্দর কায়হন্দনা, অসুপ্পা লাইরিক অমা ওইনা ফোঙদোকপা ঙম্লবা- লমদমসিগী 'লোয়ন-শিনলোন-পূক্কে'দা খ্বাইদই চাউবা, মমল নাইদ্রবা খুদোল অমা ওইগনি। তাইবঙসিদা পোকখি/পোকখিদে, সেক্সপিয়র কৌবা দ্রামাটিষ্ট অমা লৈরম্মী/লৈরমদে য়েৎনরিবা 'ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়র' গুম্বা মীশক অমা ফাওবগী 'কমপ্লিট লিটরেরি ৱার্ক্স' ফোঙবা ঙম্লগা, ঙরাং নহাক্তা থুপখিবা মণিপুরগী লিজেন্দরি প্লে-রাইট, দ ৱান এন্দ ওনলি 'জি সি তোংব্রাগী কমপ্লিট ৱার্ক্স' - এংগ্লো মণিপুরী দিক্সন্যারি' মুক্তং চাউবা লাইরিক অমত্তং ফোঙদোকপা করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো? ওজা মশা হিংলিঙৈদা মশাগী অয়াম্বা দ্রামাশিং লাইরিক ওইনা ফোঙদোকচরম্লবনি। অমুক তাশিন-খোমজিল্লগা নৌনা নমথোকপদুখক্তনি। থোইনা লুবা থবক নত্তে। ওজাগী ইমুং-মনুংনবু ওইর'সু সোসাইটি থিএটরনবু ওইর'সু তৌগে নীংবা, চপ য়ুংবা 'দিটরমিনেসন'দুনি মরু ওইরিবা।

নীংশিং থৌরম অদুগী অরোইবা প্রোগ্রাম, থৌরমদুগী মরু ওইবা 'এত্রেক্সন' - ওজাগী মাষ্টর-পিচ অমনি শীংথানরিবা দ্রামা 'ঙবোং খাউ' গী পর্ফোর্মেন্স অদুনি। ঙবোং খাউ-দ্রামা অসিগী হৌরকফম, ঐনা খঙজ-উজহৌবদা, ১৯৭২-৭৩ অদুৱাইদা 'কলচরেল ফোরম, মণিপুর' না শীনবা অতেনবা - লীলাশিংগী অথোয়-অহেন তান্নবা, কম্পিটিসন অদুদইনি। 'লৈকঙ পাৎ'তা ইনজীংবী' হায়না মিংথোনবা 'লীলা-মচা'দুনা হান্না পুথোক্লগা 'ঙবোং খাউ' দ্রামা-মচাদুনা কোন্না (মথং চহীদা) পুথোক্লকপনি। হান্না পুথোকপা লীলাদু মমৈদা শমজিল্লগা 'ঙবোং খাউ' কৌবা অচৌবা (ফুল-লেংথ) দ্রামা অসি ওম্থোকখিবনি। মতমদুদা 'ঙবোং খাউ' দগী হেন্না পোপ্যুলর ওইবা দ্রামা লৈখিদে। মণিপুরগী কাচিন কোয়া, কছার তম্পাক ফাওবা দ্রামাসিগী 'মেজিকল-টচ' অদুনা শোক্তবা মফম লৈখিদে, পঙথহনখিদবা অয়েংবা য়াওখিদে। ৱারেঙজরিবা ইশামক, মতমদুদগী ঙসি ফাওবদা দ্রামা অসি কয়ারক য়েংখ্রবনো? মশীংদু নীংশিংবা থোক্তরে। থিএটরসিগী সেক্রেটরি অমসুং দাইরেক্টরগী রিপোর্ট'তসু পনখিদবনা, চপ চানা, থাজনা হায়বদি ঙমজদ্রে- গ্রুপ অসিনা ফেব্রুৱারী ৬তা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু 'ঙবোং খাউ' গী কয়ারকশুবা পর্ফোর্মেন্সনো? তাঙাং তোমালগী ক্যারেক্টরবু কাউঙমদ্রবা দ্রামাটিক ক্যারেক্টর অমা ওইহনখিবা দ্রামাসি? ঈশৈশিংবু অমর ওইহনখিবা খুন-জোয়-কুমার'না হিংলিঙৈদদি দ্রামা অসি, শো চাম-য়াংখৈ হেন্নদি উৎখরে হায়রম্মী। হেল্লমগদবদি মাল্লি, চপ চাবদু খঙনীংই।

'ঙবোং খাউ' দ্রামাসিগী ৱারী শারগা, লীলা অসি য়েংলুরগা, ঐবু হেক হেক ৱাখল ঈপাক্তা চিংথরিবা, ঈপাক্তুদা ঈরাক্লহল্লিবসি 'সনাজাওবী' কৌবী ফিমেল-প্রোটাগোনিষ্ট অদুননি। ঙকখি, ঙক্লি, ঙকখিনি - অইবনা সনাজাওবী'বু সনাইবেম্মা/ঈচেমসি মিংগৌদুনা রোয়েল ফেমিলিগী ক্যারেক্টর অমা ওইহল্লি করিগীনো? 'লৈকঙ পাৎ'তা ইনজিংবী' হায়দুনা পাউখোঙগুম্বা মিংগৌ অমা থেৎচীল্লম্লিবসিনা করিগী? 'তোমাল' কৌবা নুপা অমবু 'তাঙাং' হায়বা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইবা মিংতপ অমা নপশিল্লগা, মী অমা ওইনা মদোম মমায় হাইগৎনা হিংজবা ঙমদ্রবা তংখাই শিরবা 'তাঙাং তামোলো' কৌবা ক্যারেক্টর অমা ওইহল্লিবা করিগীনো? মপা মশক খঙদবা অঙাং খরগী মমা 'সনাজাওবী' না লোয়বা ষণ অমগুল্লবা ক্যারেক্টর, 'তাঙাং তোমালো'বু, চাংদম্নিংঙাই লৈত্রবা, তাঙলবা কলাগী গুন কয়ানা লৈতেংলবা, নুপীনা পাম্বা, খুন্নাইদা চন্নফম খঙদ্রবা মীশক অমা ওইহল্লিবসিনা করিগী? ঙসিগী মণিপুরী খুন্নাইসিদা 'সনাজাওবী' গুম্বা ক্যারেক্টর অমগা চাংদম্নবা য়াবী নুপী কনা লৈ? পূম্নমকসি, লীলাসিনা হংহল্লকপা পাউখুম ফংদবা ৱাহং ময়ামনি। রিঅলিষ্টিক ওইবা লোন্দা- পুদা ময়াম অমা থন্না য়াওবা দ্রামা ওইরগসু 'ঙবোং খাউ' - রিঅলিষ্টিক - প্লে অমা শুকনৎ নত্তে। আইদিয়ানা থন্না য়োল্লবা দাইলোগ ঙাক্তনি। থিসি, থিমিন্নসি - সনাজাওবী কনানো? তাঙাং তোমালোনা কদায়দা? ঐখোয়সিবু লখিপুরদা লৈরিবরা? লখিপুরনা ঐখোয়দা লৈরিবরা? লখিপুর কদায়দা লৈবগে? কছারদা লৈবা লখিপুর'দুরা?

—ইন্দ্রকুমার

# সাহিত্যনা শমজিনবিরবা কাউঙম্লরোইদবা বাংলাদেশ খোঙচৎ

ফাইরেলগী অঙাওবা লৈচিল, ফাইরেলগী মঙাও থিবা নুংশিৎ ইচাদা চান্নখি ফাইরেলগী অঙাওবা থম্মোয়সু, চৎত্রিঙৈদগী খনখ্রবনি, হেক থোক্লকপগা নিংশিং মমিশিংসে অমতা চিথদনা তাবুনুংগী মখুম হাইদোক্তুনা থেল্লগে লৈচল কোর্ব্বাকথকসিদা। ইসু ইরবনি অদুবু লোইশিন্দুনা মতম চানা পরেংসে লাম্থোকচবদি ঙমজখিদে, চহী চাম্মা থবক চাম্মা হায়বদুনা খুরৌ ওই, মতম খরদি খোঙলৌ থিহুখরে, নুংশি মপাউ তমজবসে।

নুমিৎ খরনিগী মমাং বাংলাদেশ চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা পূক্লিংসে নিংকোক নিংকোক লাওখি, কদোমদগী ফাওজিল্লকখিবা ৱাখলনোসু খঙদে, অদুবু কনামত্তদদি পম্থোকখিদে, চিন্দুংগা ইনখ্রিদা খন্দুনা, থম্মোয়সে ইনৌ নৌদুনা য়েংউ য়েংউ খুদিং পংনুংদা নুংশিখি ঐনা চৎতৌরিবসে ইরমদম ৱাংমনি খল্লুবদা।

নুমিৎতো দিসেম্বর ২৩, ২০১২ ইরাই নুমিৎনি। ফ্লাইটতা চৎতৌফাও চৎতগে ঐখোয়গী মণিপুরদা ত্রেন য়ৌরক্লন্দবু হায়দুনা খোঙশাং তান্না এম এস টি বসতা চৎতুনা ত্রেন তোং লুরিবনি। ওজা অমনা অয়ুক্কি পুং ৫.৩০দা মোইরাংখোমদা য়ৌবিরকউ, পুং ৬.০০ তাখ্রগনা ৱাহেংবম লৈকায় বস পার্কিংদা য়ৌবিরকউ হায়বদগী ময়াম চৎমিন্নগদবা থবক্লি অদুনা য়াহৌ থেংদুনা নংহৌদ্রদি কায়না খন্দুনা অয়ুক্কি পুং ৩.০০ দা এর্লাম থমদুনা হৌগৎলি। অয়ুক্কি ধুপ থাউমৈ মফম খূদিংকৎপা লোইরে, অশোয় অঙাম য়াওদনা হঞ্জরক্কে হায়দুনা লৈমরেল লাইনিংথৌদা তরেৎকী শেঞ্জাসু লেপচদুনা চৎননবা থৌরাং লোইদুনা মোইরাংখোমগী এম এস টিদা চৎলে। ঐখোয় ইম্ফালদগী চৎমিন্নবসে মী ২০নি, নুপী ১৫ অমদি নুপা ৫ অদুবু পুন্না আ য়ৌরগা খঙই, ইম্ফালদগী পুন্না মী ২৪, মখোয় অতৈদুদি জিরিরোমদগী চংলকপনি। ঐখোয় নোনেদা পুং ১০.৩০দা চাক চায়, অদুগা অমুক য়ৌরকপদুনা খোঙশাংদা পুং ১.৩০ অদুৱাইদা থুংঙি, ষ্টেসন হেক য়ৌবদু খোঙ্না চৎলদি ৱানি অদুনা গাড়ী পার্কিংদা খাম্বিয়ু হায়রুবদগী আ: লাপ্না খামদুনা মী অমমমদা লুপা ৫০/৫০ পীদুনা অমুক গাড়ী অমদা তোং দুনা চৎলি, মহা কুম্মৈ অমনি, ট্রেন তোংবা নংহৌদদনা হায়না পাখৎনরুরবনি। নুংথিলগী পুং ২.২০দা ঐখোয়না তোংগদৌবা ট্রেন সাটাবদি এক্সপ্রেস থুংলরে, পুং ২.৪০দা থাগদবনি। য়াম্না নুংঙাইরি তোংবদা টনেল ফাও ফাওদুনা চৎপদা য়েংনা য়েংনা য়ৌখিবা খঙহৌদে। নুমিদাংগী পুং ৬.৪৫দা বদরপুর রেলৱে ষ্টেসন্দা ঐখোয় থুংলে অমদি ওটো খরা ফাদুনা ঐখোয় করিমগঞ্জগী গৌরি হোটেলদা নুমিদাং লেক্লবগীদমক পুং ৮.১০দা থুংলে, ইচেম্মা হাওবম নলিনী, চোংথাম ইনেবেম্মা সুবদনি অমদি ঐ, ঐখোয় অহুম রুম নম্বর ২০৪দা লৈরে। ৱাখলনা পাককা তুমথবা য়াদে, নিংশিংলকই মথং মথং ঐনা য়ুমদগী থোক্লকপদা ইচাশিং ইশুশিং বোবোক্লা হল্লকত্রিফাও নকোক ফাও চিকঅমগনু নাহুদুনা থম্বিরম্বা, মখোয় তুম্না হিপ্পরম্মদ্রা পঙপাদা পাখৎচৈ, ঐনা মনাক্তা লৈরিখৈ মখোয় কৈসু তৌরোইদবোইদা খল্লি। অমুকসু নিংশিংলকই চীংয়াগী লম্বীশিং ফাও ফাওদুনা বসতা লাকপদা লৈশা পাখং ফানরক্লবা পাম্বীশিংনা নেমতক নেমতক ফানা পুন্নবা ঙমদবমখৈ উফুলনা মশা পুম্বা পাউদর থারদুনা কেনা কেনা লৈনা জগোয় শারদুনা ঐখোয়বু য়েংলদুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা হল্লকউ হায়না মখুৎ-মশা হাইর হাইরদুনা নুংশিনা য়েংদুনা লৈহৌবদো।

ডিসেম্বর ২৪, থাংজ নুমিৎ অয়ুক ঙন্না হৌগৎনদুনা ইরু মায়থজনদুনা ইথৌ লোইশিন্নদুনা গাড়ী খরা কৌদুনা বোর্দর লানশিন্নবগীদমক ঐখোয় ইন্দিয়াগী বোর্দরদা অয়ুক্কি পুং ৭.১৫দা করিমগঞ্জদগী খোঙশানলক্লে। অয়ুক্কি পুং ৯.০০ তাবদা হাংনি হায়দুনা ইন্দিয়াগী অহানবা চ্যেক পোষ্টকি ময়াদুদা ঙাইরে। পুং ৯.০০ তাবদগীদি ঐখোয় ঐখোয়গী পাসপোর্টতু য়েংদুনা অহানবা চ্যেক তৌদুনা চংলে। অদুদগী কষ্টম ওফিস তান্না চংগদবশিং গাড়ী থারক্তুনা ঐখোয় চৎলে, য়াম্না কুপ্পা চ্যেক তৌবগা লোয়ননা অরোই অরোইবা ফোটো নম্মী অদুগা অমুকসু থংনবা কাদা চং দুনা পাসপোর্ট ভিসা অমুক পিশিনলি অমদি ঐখোয়গী সুইট কেস লগেজনচিংবদু এক্সরে লৌরগা য়ারে হায়দুনা থাদোরক্লে, মফমদুগী চৎথোক চৎশিন তৌনবা মখোয়গী ফ্রি সর্ভিস তৌই অদুগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অরোইবা চ্যেক তৌফমদুদা অমুক চংলে, মদু ইন্দিয়াগী অরোইবা চ্যেক তৌফম্নি মদুদনা পোৎ চৈগা লোয়ননা বোডি সারচসু তৌই অদুগা অমুক থংনবদা পাসপোর্ট অমদি ভিসাদু অমুক হন্না য়েংবগা লোয়ননা ফোন নম্বর লৌহৌদুনা ইন্দিয়া মনুংগী চ্যেক তৌবা পুম্লোই লোইদুনা ঐখোয় বাংলাদেশ বোর্ডর লানশিল্লে। অদুবু চ্যেক ময়ামসি তৌবদা কুইনা চঙখিবদুনা ৱাবসি করি হংঙুনি, সি ওইরেকো ফোরেন খোঙচৎ খনখি। হেক চংবগা থাংজম চাউরেন্না ঐখোয়না থাজিনগদবা ফোর্ম অদু মানা মেনবা য়াবখৈ মেনশিনবিরল্লে, মদুদা ৱাৎলিবসে ইশা ইশাগী মীংগা, শোয়গা অমদি মোবাইল নম্বরগদা গ্রইরে। মদুদদি কুইদ্রে, অমুক থংনবদা বাংলাশেকী কষ্টম ওফিসনা অমুক চ্যেক তৌরে, য়াম্না থুনা লোইরে অমদি থোক্লক্লগা হান্না ঙইদুনা লৈরম্লবা অশিন অরাংগী মায়কৈদগী ইপ্বা খুন্দ্রাকপম সোমোরেন্দোনা লুচিংবা খরনা গাড়ী বস অনী পুরক্তুনা খামদুনা হান্না লৈরল্লে, অদুবু ৱানরনি অয়ুক্কি চাক খরদং অফংবা হোটেল অমদা চারসি হায়দুনা চারে। মতমদু নুংথিলগী পুং ২.০০ তারবনি। নে হেক তায় অসুক ৱাব্রা খনখিবদু বাংলাদেশকী লৈমায়গা হেক থেংনবদগীদি নুংশিরবা ঈগী মরি ইচিন ইনাওশিং থেংনরুরগনি খনবগী নুংঙাইবদুনা অৱাবা পুম্বা কাউথোকখ্রে। নুংথিল পুং ৩.৪১ অদুৱাইদা বস থাদুনা ঐখোয় চংশিনলে সিলেট তম্না, নুমিদাংগী পুং ৬.২০দা গুলসন হোটেল, সিলেটতা থুংলে। ঐখোয়বু বাংলাদেশতা হেক থুংবদগী থোক্লকপা ফাওবা করিদা শোয়খিদগদে খন্দুনা শেন্নবিরকখিবা ইকায়খুম্নজরবা পকুচেল চাওরবা শক্লাইরবা ওজা কবি এ কে সেরাম অমদি মহাক্কী খোঙবুরোইশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা ফোঙদোকচরি।



তাং ২৫, ২৬ অমসুং ২৭ দিসেম্বর ২০২২, সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ অনিনা খূৎশন্নদুনা নুমিৎ হুম্নি চথবা প্লোগ্রাম জিলা পরিষদ হোল সিলেটতা ২৯ শুবা লৈপাক্কী ওইবা ৱারীমচা পাবগী থৌরম দিসেম্বর ২৫, ২০২২, নোংমাইজিং নুমিৎ অয়ুক্কি পুং ১০.৩০ অদুৱাইদা লূপকি অমদি বাংলাদেশকী ফিরাল চিংখৎতুনা পিক্লিবা অঙাংশিংনা লৈপাক নিংবা ঈশৈ শক্তুনা থৌরম হৌদোক্লে। পুঙচে ালোম অমদি মোইবুং খোংদুনা থৌরম অদু হৌদোকপগা লোয়ননা সিনাম তনুবাবু মেমোরিয়েল এৱার্দ মুতুম রমনিদা লাম্থোক্লে অমদি লূপকি খোমজিনবা ৱারী মচাগী লাইরিক 'পম্বুং তম্না' মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা শীন্নরে। অদুগা অয়ুক্কি লঞ্চ লৌমিন্নরবা মতুংদা সেকেন্দ সেসন্দা ৱারীমচাগী মতাংদা সিমপোজিয়ম অমা পাংথোক্লে, মদুদা শরুক য়াখিবসি ডা: কুমারী চনু, ডা: মুতুম অনুরাধা অমসুং সেরাম নিরঞ্জন্নি, অদুগা মোদরেটরনা প্রোফেসার নহাকপম অরুনানা ওইখি। নুমিৎসিদা ৱারীমচা মিনিট ৫/৬কী ওইবা মীওই ২৫ রোমনা পাথোকখি। নুমিৎসিদা য়াম্না নুংঙাইখিবদি বাংলাদেশকি ইনাও ইবেম্মা কৈনাহন অমদি মিনোতি দেবীনি, হান্না খঙনজরগসু শক্লা শক্লা উনদুনা শকখঙনজবদি নুমিৎসিদনি। তাং ২৬ থৌরমগী নিনি চনবা নুমিৎ অসিনা ভানুগঙ্গকি মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্সে (বনানগী মতাংসি অসোমগা ঐখোয়গা খেন্নবা খরসু লৈ, কলচরেল মসি অসুন্না ইবিরকউ হায়রকই কালচ ারাল) তা পাঙথোক্কদবনি, অয়ুক্কি পুং ৮.৩০ অদুৱাইদা খোংশানবা হৌরে। পুং ১১.৫০দা ইনিংথৌ মারজিৎনা বাংলাদেশকি সিলেটতা তাংজদুনা লৈখি অমসুং মণিপুরদা অমুক হনখিদরে মসিদা ইনিংথৌনা থোল্লম্বা খামেনচৎপা ফৈজোম, ফুরিৎ অমা, খুরুমগী খোংঙুপ অমসুং থাঙশাং অমা চেকশিন্না মহাক্কী তরেৎশুবা শুরোল রাজকুমার সুরজিৎনা থমহৌরি। মফমসি রানিবজার রাজবাড়ী হায়নসু খঙনৈ হায়না তম্বিরকই। অদুদগী অমুক ভানুবিলদা চৎলে, লময়ানবা ইরাবতকী মুর্ত্তি খিল্লিবা অদুদা চংদুনা লৈ কৎলবা মতুংদা তম্মোয় শেংনা ইকায়খুন্নবা উৎলবা মতুং চা অমদি বিস্কিট চাদুনা ঙহাক পোত্থানরবা মতুংদা পুং ১.৪৫দা মণিপুরী কালচ ারাল কমপ্লেক্স, তেতইগাঁও, কমলগঞ্জদা থুংদুনা চাক্লেন চ ারবা মতুংদা অমুক প্রোগ্রাম চৎথরে, মদুদা নুপী ইচিল ইনাওশিংনা থোংলম্বা চাক ইন্সাংশিংদু অমুক হন্না চানিংলি। মদুদা ঐনা হান্না খঙনজবা ইপ্বা ইবুংঙো অৱাংতাবম সোমোরেন্দ্রো অমদি মনি অবুজম থেংনজবা লোইননা রৌসন অরা বাশি ইনাওনুপী থেংনজবা অসুক্কি মতিক নুংঙাইজখি। মফমদুদা অমুক হৌনবী মতুং ইন্না মালেমগী থাক্তা ৱারী মচা পাবগী থৌরম মখা চৎথরে, মতমনগা থেংজিনলকপনা অইবা অইবী খরগী ৱারীমচা পাথোক্লগা নংহৌদবশিংদু অরোইবা তাং ২৭সি পাথোক্লবা হায়বিরক্লে। ঐদি পাবু পাখৎলুরবনি মরমদি ফজবা-ফজদবা, হৈবা-হৈতবা ৱারীমচা পাবগী থৌরম য়াওজ নিংবদগী নুংশিরবী বাংলাদেশ তম্না ঈগী মরী ইচিল ইনাওশিং উন্নজবগা লোইননা বাংলাদেশকী লৈমায়দা মমী অমমতং তাহনজদুনা খোঞ্জেল অমতংদি থোকচরমগে খন্না চৎচরিবনি, অদুবু অরোইবা নুমিৎসিদা ফংদি ফংজখি, ঐনা নুংঙাইবসিদি করি অমুক হায়রুনি অরাম খৌরাংবনা চরি তৎলবদা অহাউবা চাক ইন্সাং পুক থন্না চাজবগা লোয়ননা ঈশিং থকচবমুক নুংঙাইজখি। নুমিদাংগী পুং ৭.১৫দা মফমদু থাদোক্লমদুনা সিলেটকীদমক খোংশাল্লক্লে, হল্লকপগী লম্বীদা নুমিদাংগী চাকসু চারক্লে।

মতাংসিদা পঞ্জরমদ্রদি নুংঙাইজদবা অমতংদি বাংলাদেশকি জিলা কয়াদা শন্দোক্লা মৈতৈ খুঞ্জা কয়া খুন্দারম্মী হায়, মতমগী শাফুনা মফম কয়াদা মৈতৈ নাৎ খুনতাক্লখ্রবসু হৌজিক সিলেট দিভিজনগী জিলা মরিদদি চোয়জায়ননা মৈতৈশিং খুন্দাদুনা লৈ। মসিগী মনুংদা মৌলভী বাজার জিলাগী উপজিলা মঙাদা মৈতৈ খুন্দারি। মঙাসিগী মনুংদা কমলগঞ্জ উপজেলাগী য়ুনিয়ন মঙাদা মৈতৈ খুঞ্জা তরামরি খুন্দারি। মখোয়না মৈতৈবু অসুক্কি মতিক, মতিক মগুণ লৈবা ফুরুপ্পি হায়না শক্তাকচদুনা হিংলি, খুল তরামরিদুগী মমিং পঞ্জরমগে। ১) তাগুরীগাঁও (মাধবপুর) ২) হুমেরজান (নগর, নীলকুঠি) ৩) মঙ্গলপুর ৪) চিতলিয়া (সিত্রি) ৫) ভানুবিল ৬) নয়াপত্তন (মঙ্গেমখোঙ মমাং লৈকাই) ৭) তেতইগাঁও (মঙ্গেমখোঙ মনিং লৈকাই) ৮) ছুনগাঁও (হামোমখুল) ৯) কোনগাঁও ১০) শ্রীপুর ১১) গঙ্গানগর ১২) হক্তিয়াখোলা ১৩) কাটাবিল ১৪) ছুয়চিরি (নন্দ লৈকাই) সিলেট মেট্রাপলিটন সিটিগী মনুং চন্না খুন্দারিবা মৈতৈ খুঞ্জাশিংগী মিংদি মখাদা মথংশিংনা থমজরি। ১) শিবগঞ্জ ২) নয়াবাজার/কুখিঘাট ৩) বড়বাজার (নোংমাইথেম লৈকাই) ৪) সুবিদ বাজার (খুনৌ) ৫) আম্বরখানা (থৌদাম লৈকাই) ৬) সাগরদিবীর পাড় (পুখ্রিমপানর) ৭) বাঘবাড়ী (নরসিং জিলা) ৮) লালাদিঘীর পাড় (সাপম লৈকাই) ৯) লামাবাজার ১০) মির্জা জাঙ্গাল/রাজবাড়ী (কোনুং) ১১) কোওয়াপাড়া ১২) খাদিম বহর মণিপুরী পাড়া ঐনা মথক্তা পঞ্জরিবশিং অসি অৱাংতাবম সোমোরেন্দ্রোদগী লৌজবনি, মানদি খুলশিংসিগী মরমদা খরা খরা পনবিরকই অদুবু শাংমনখ্রনি হায়দুনা তেনশনজরে। মৈতৈশিংনা মতিং লৈনা মীথোয় মীহেন্না মীতৈগী চৎন লোনচৎ য়ারিবমখৈ ঙাক্তুনা হিংননবা হোৎনবদুবু হন্না হন্না থাগৎচবগা লোয়ননা চাউথোকচৈ। অরোইবা নুমিৎ দিসেম্বর ২৭ সিনা মণিপুরী রাজবাড়ী মন্দপ, সিলেটনি। মসিদা অৱাৎপা ৱারী মচা পাবিবগদবশিং পাবগা লোয়ননা চহীগী শেনবা থুম্বা মীফম পাঙথোক্তুনা ২৯ শুব চহীগী মীফম লোইশিনখি। মন্দিরদুদা লাৎলিবা শ্রীকৃষ্ণ রাধাগী মুর্ত্তি, জগবন্দুগী মুর্ত্তি অমদি গৌরাঙ্গনচিংবা মুর্ত্তি মচা মচা কয়াগা লৈরিবা মফমদুদা ধুপ আরটি হাইদুনা পুজা লোইরবা মতুংদা চারকপা মহাওদু পুন্সিগী কাওনি থাজদে। পূন্নমক অসি মরু ওইনা ওজা এ কে সেরামনা লুচিংদুনা হোৎনবিবনি অমদি ঐখোয়গী অৱাৎ অপা তোয়না হংবিদুনা পাউ ফাওনজবা খুন্দ্রাকপম সোমোরেন্দ্রো অমসুং সেরাম নিরঞ্জনগী চাওরবা মতেংবুসু পুন্সিসিদা নিংশিংদুনা লৈরনি ।

অসুন্না তম্বতনা চিথহৌরবা নুংঙাইরবা সাহিত্যগী খোঙচৎ অমগী অরোইবা বাংলাদেশকী থোঙজিন্দা ফাওবা ওজা এ কে সেরামনা করিদা শোয়খিগদগে হায়না ঐখোয়বু তাং ২৮।১২।২০২২গী অয়ুক পুং ৭.৩৮দা সিলেটকী গুলসন হোটেল থাদোক্লমদুনা ঐখোয় ইম্ফ ালদগী চৎচবা মীওই ২০দু বস অমদা তোংদুনা অখৌরা তান্না থীন্দোকপীরক্লে, লম্বীদা অয়ুক্কি পুং ১১.০০ দা বেক্র ফষ্ট লৌরে, নুংথিলগী পুং ২.০ খরা হেনলকপদা ইন্দিয়াগী বোর্ডরদা থুংলে অমদি চ্যেক-নুং খরা তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়া বোর্ডর লানশিল্লক্লবদা অমুক ত্রিপুরাগী সাহিত্য পরিষদকী ওজা বিপ্লব শর্ম্মানা লুচিংদুনা ঐখোয়বু ওকপিরল্লে অমদি ভি আই পি ইন্টরনেসনেল হোটেলদা পুশিনবিদুনা য়াম্না নুংঙাইনা অহিংদুমা লেক্লে। নুমিদাংদা ওজা লাংগোনজম বিরমঙ্গোল, থৌদাম নিল্লকুমার অমদি ওজাশিং খরগা লোয়ননা লাকপিদুনা নুংশিনা পুকমেন পাওমেন্নজরক্খি, মীওইবগী মীনুংশি হায়বসিদগী হেন্না চাউবা ধর্ম্ম অমা লৈতে হায়বদু চুম্মি, পুন্সিগী কাউররোই। তাং ২৯ দিসেম্বর নুমিৎসিদা নুংথিলগী পুং ২.০০গী ফ্লাইটনি অদুবু খরা থেংথরগা মহারাজ বীর বীক্রম এয়রপোর্ট আগরটলাদগী পাইরক্তুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা নুংথিলগী পুং ২.৫০দা প্লেন্দগী কুমথরক্লে। মতন্না খুয়ৌনখিবনা খঙন চান্নবা ইচিল ইনাওশিংগী য়ুমদা চংবগী খুদোংচ াবা ফংজরক্ত্রবসু নুংশিবা অমদি নুংঙাইবা খোঙচৎ অনিনা পুল্লগা হল্লকখিবা কাউঙম্লরোইদবা থৌদোকশিংদুনা লাইবক ফরদি অমুকসু চৎনিংবগী ইখৌ লাংবগা লোয়ননা সাহিত্যনা নুংশিরবা ঈগী মরী ইচিল ইনাওশিংদুবু পুনশিনবগী নুংঙাইবদু ঙসিসু কাউঙমদ্রি । মসিদা ঐনা অরোইবদা সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়াগী থৌপুরোইশিংবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। চহী খুদিংগী মফম হোং-হোংদুনা পাঙথোকপিরিবা থৌরম অসি অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমহনবিয়ু হায়নসু মপুগী মফমদগী নিজরি।

—সোবিতা সৌবাম